# উত্তর প্রদেশতা অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫০ হেনখ্রে



লক্নৌ, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশ এসেম্বলি ইলেক্সনগী অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ঙসি এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ দা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫০ হেনখ্রে।

অয়ুক অঙনবদা ভোট থাধবগী চাং কা হেন্না ৱাংখিদ্রবসু লোইশিল্লকপদা দিষ্ট্রিক্ট ৭ কী এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ দা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫১.৬৯ য়ৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা ভারানাসিদা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫৩.৪৭ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি। য়ুমলোন্নবা মির্জাপুর, জোনপুর, ঘাজিপুর অমসুং ভাদোহিদা মথংশিংনা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫৫.৯২, চাদা ৫২.৮২, চাদা ৫৪ অমসুং চাদা ৫২.৯ ওইখি।

মাওইষ্ট লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা সোনভাদ্রা (চাদা ৫৩.২) অমদি চন্দোলি (চাদা ৫৫) দসু ভোট থাধবগী চাং ৱাংখি। মফম খরদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) য়াদবগী থৌদোক থোকখিবগা লোয়ননা ভারানাসিদা বি জে পিগী এজেন্টশিংনা পোল্লিং ওফিসর খরগী মথক্তা অতম্না ভোট থাধবগী থবক থৌরমশিং তপথহল্লি হায়না মরাল শীখি।

তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা নুপী ৫১ য়াওনা মীরেপ ৫৩৫না লন্থা পানরি। ভোট থাধবা য়ারবা চহী মতাং য়ৌরবা নুপা লাখ ৭৬.৮৭, নুপী লাখ ৬৪.৯৯ অমসুং থার্দ জেন্দর ৭০৬না ভোট থাধখি। মীখল অসিগীদমক পোল্লিং বুথ ১৪,৪৫৮ য়াওনা পোল্লিং ষ্টেসন ৮,৬৮২ শেমগৎখি।

কুমজা ২০১২ গী এসেম্বলি ইলেক্সনদা সমাজৱাদি পার্টিনা সীট ৪০গী মনুংদা ২৪ ফংবা ঙমখিবনি। অদুবু কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকখিবা মরম্না হন্দক্কী এসেম্বলি ইলেক্সন অসিদা করম্বা পার্টিনা সীট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, অম্বেদকরনগর দিষ্ট্রিক্টকী অলাহপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা হয়েং মীখল পাঙথোক্কদৌরি।

কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা সমাজৱাদি পার্টিদা মীরেপ ওইখিবা চন্দ্রসেখর কনোজিয়ানা ফেব্রুৱারী ১২ দা ভোট খোন্থবগী থবক থৌরম পায়খৎলিঙৈদা হার্ট এটেক তৌদুনা শিখিবা মরম্না মীখলগী মতম য়ৈথোকখিবনি। ময়েক্কীদি ফেব্রুৱারী ১৫ দা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকপা নুমিৎতা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগীসু মীখল পাঙথোক্লমগদবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং ৬০ য়ৌখিবনি।

য়ু পিগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, মফম খরদা য়েংথীনবা পার্টি ৱার্কর মশেলগী মরক্তা মুক্নবগী থৌদোক মচা-মচা থোকখিবা নৎতনা থোইদোকপা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে।

কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪৯ অসিগী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৫৫.০৪ ওইখিবনি। হন্দক্কী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাধবগী চাং চাদা ৬৪.২২ ওইখি। অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা তাঙ্কক্তনা মথংশিংনা চাদা ৬৫.১৬, চাদা ৬১.১৬, চাদা ৬০.৩৭ অমসুং চাদা ৫৩.৩৭ ওইখি।

তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা নুপী লাখ ৭৭.৮৪ অমদি নুপা লাখ ৯৪.৬০ য়াওনা ভোট থাধবগী চহী মতাং য়ৌরবা মীওই ক্রোর ১.৭২ না মীরেপ ৬৩৫গী মরাইবক লেপ্নবগীদমক ভোট থাধনখি।

তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি- মাও, গোরখপুর, মহারাজগঞ্জ, কুশিনগর, দিওরিয়া, অজমগর অমদি বালিয়ানি। অজমগর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লৈরিবা এসেম্বলি সীট ১০গী মনুংদা সমাজৱাদি পার্টিনা মমাঙগী এসেম্বলি ইলেক্সনদা সীট ৯ ফংবা ঙমখি। অদুবু হন্দক্তি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমত্তদা ৱা ঙাঙখিদবা মরম্না মায় পাকপগী চাং হন্থরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

ফেব্রুৱারী ২৭ তা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা তাঙ্কক্কী এসেম্বলি ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৭.৩৬ ওইখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট ১১গী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫২ দা মীখল পাঙথোক্কদবদা ইলেক্সন কম্মিসননা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমগী মীখল য়ৈথোকখিবা মরম্না কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫১ দা মীখল পাঙথোকখি। তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্ক-দৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেম্বলি ইলেক্সনগী তরুকশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা পুং ২৪ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দো-নেপাল বোর্দর সিল্ড তৌশিনবা লৈখ্রবনি।

# প্রসিদেন্ট মুখর্জী, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা নুপা-নুপীগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দনবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

লৈবাক অসি শেমগৎলকপদা নুপীশিংনা লৌখিবা মমল নাইদ্রবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা হায়খ্রে মদুদি, মীপুম খুদিংমক্লা নুপা অমদি নুপী অনীগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোইদবনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট মুখর্জীনা হায়খি, ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দেনা লাকপগা মরী লৈননা ইন্দিয়া অমদি মালেমগী মফম পুম্নমক্তা লৈরিবা নুপীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। ইন্দিয়াগী নুপীশিংনা লৈবাক অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমক্লা নুপা-নুপীগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা নুপীশিংদা অহেনবা মতিক ময়াই শীন্নবা ৱারেপ লৌমিন্নবা মথৌ তাই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দেগী মরী লৈননা নুপীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীখি। মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংদা অহেনবা মতিক ময়াই ফংহন্নবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি। নুপীশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা মশা-মশাগী ইমুং য়েংশিনবগী মথক্তা লৈবাক্কী চাউখৎনবা থৌরাং কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগীদমক থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউজেলনা মখা তাখি।

ন্যু দিল্লিদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দেগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা নারি শক্তি পুরস্কার খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। ৱিমেন ইম্পাৱরমেন্টকী মতাংদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎখিবগীদমক শক্লাইরবা নুপীশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংদা এৱার্দ পীখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা নুপীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংবু নুপীনি খঙদোক্লগা হাৎপগী থৌওং থিংনবা অমসুং নুপীমচা খুদিংমক মহে-মশিন তমহন্নবগী পান্দমদা 'বেতি বচাও বেতি পরাও' প্রোগ্রাম পায়খৎখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দেগা মরী লৈননা নুপীশিংদা হেক-হেক তোয়না থেংনবা এনিমিয়াগী মতাংদা মীপুম তিংনা ৱাখল তাহন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনসু ইন্দিয়াদা নুপী অমদি স্পোর্টস হায়বা হীরমদা কনফরেন্স অমা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী গান্ধীনগরদা পাঙথোকখিবা নুপী সর্পঞ্চশিংগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি গুজরাটকী রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টনা খুৎশম্নরগা শীনখিবা থৌরম অদুদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা নুপী সর্পঞ্চশিংনা শরুক য়াখি।

মহাক্না হায়খি, নুপীশিংসু নুপা অমদগী করিমত্তা তাদনা হীরম খুদিংমক্তা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙম্মী হায়বা ঙসিগী মীফম অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাষ্ট্রগী দিয়ু এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা লোয়ননা মফম অদুদগী হেলিকোপ্টর তোংদুনা মমিং চৎলবা সোমনাথ টেম্পলদা লাই খুরুম্বা চৎখি।

সোমনাথ টেম্পলদা লাইনিং-লাইশোলগী থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাইশঙ অদুগী লাই পানবা মীওইশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি। সোমনাথ টেম্পলদা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মফম অদুদা লৈবা সর্দার বলবভাই পটেলগী মীতমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

ত্রিভেনি শঙ্গম মনাক্তা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙখি। পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং গুজরাটতা বারুচ বস পোর্টকী উরেপ-উয়ুং তম্বা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরবা মীওই খক্তনা থোংগী মরুওইবা খঙগনি। বারুচতা করি মরমগী থোং শাগদবনো হায়বগী মতাংদা মালেমগী মীয়াম্না শোয়দনা অঙকপা পোক্লমগনি। মতম শাংনা বারুচকী মীয়াম্না মায়োক্নদুনা লাক্লিবা অৱা-অনা অমসুং খুদোংচাদবশিংগী মতাংদদি কনামত্তনা খঙবীবা তৌরোই। মফম অসিদা লৈরিবা মীওই খক্তনা থোং অমা লৈহনবগী তঙাইফদবা অদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি।

ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফীভম নোংম-নোংমগী ফগৎলক্লগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, বারুচতা লৈরিবা মীয়াম্না অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা লৈবাক চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবা তারবদি মফম অসিখক্তা নৎতনা ইন্দিয়া অপুম্বগী ওইনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি।

# জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা থিগৎনবা তকশিল্লদুনা পনিরসেলবমনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে



চেন্নাই, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংনা জয়াললিতানা লৈখিদবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি চথুগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

টামিল নাদু, পুদুচেরি অমদি করাইকালগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস খুদিংমক্তা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। নোংমগী ওইবা খোঙজং অদু অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চথুখি।

খোঙজং অদুদা পনিরসেলবমগী কাঙলুপ্তা লৈবা এ আই এ দি এম কেগী এম পিশিং অমসুং লেজিসলেটরশিংসু শরুক য়াখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতানা এপোলো হোস্পিটালদা নুমিৎ ৭৫নি লায়েংদুনা লৈরম্লবা মতুংদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎকদবনি হায়না পনিরসেলবম অমদি মহাক্কী তুংইনবশিংনা তকশিনখি।

মমাঙদা পনিরসেলবমনা ক্যেরটেক্কর চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মরম খঙদোক্লুবা জুদিসল ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)না টামিল নাদুগী লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগা মরী লৈনবা মেদিকেল রিপোর্ট পুম্নমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খুৎশিন্নবা লৈখ্রবনি।

এইমসকী দোক্টরশিংনা চেন্নাইদা লাক্তুনা জয়াললিতাগী হকচাংগী ফীভম য়েংশিনখিবগী অকুপ্পা ৱারোল পুম্নমকসু পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুদা য়াওরম্মী। এইমসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন) ভি শ্রীনিভাসনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জয়াললিতাগা মরী লৈনবা ওফিসল রেকোর্দ পীরক্লুবা হায়রকখিবগী মতুংইন্না মেদিকেল রিপোর্ট অদু খুৎশিন্নখিবনি।

হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবী জয়াললিতানা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিখিবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুরকপা মরম্না মেদিকেল রিপোর্ট পীশিনখিবগী থৌওং অদু য়াম্না মরু ওইনা লৌনরি।

শ্রীনিভাসনা টামিল নাদুগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ডা. জে রাধাকৃষ্ণনদা চে-চাং পুম্নমক খুৎশিন্নখি।

টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা হায়জরকখিবগী মতুংইন্না মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৫ অমসুং দিসেম্বর ৬কী মরক্তা এইমসকী সিনিয়র স্পেসিএলিষ্টশিংগী ওইবা টিম অমা চেন্নাইদা মঙারক চৎখিবনি। হায়রিবা থিম অদু দিপার্টমেন্ট ওফ পলমোনোলোজিগী প্রো. জি সী খিলনানিনা লুচিংখি।

# ভাইস প্রসিদেন্ট হামিদ অন্সারিনা ঙামী শিখিবগী ৱাফম শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট সিরিসেনা উনদুনা পুখৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

শ্রীলঙ্কন নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী অমা হাৎখিবগী মতাংদা ঙসি ভাইস প্রসিদেন্ট হামিদ অন্সারিনা শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

ইন্দিয়ন ওসীন রিম এসোসিএসন (আই ও আর এ)গী মীফম য়াওবা চৎপদা অন্সারিনা সিরিসেনাগা উনদুনা ইন্দিয়াগী ঙামী হাৎখিবগী ৱাফম পুখৎখিবনি।

জকর্টাদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মীফম য়াওরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, ইন্দিয়াগী ঙামী হাৎখিবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎলগনি হায়না শ্রীলঙ্কন প্রসিদেন্টনা থাজবা পীরক্লে।

শ্রীলঙ্কন নেভিনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ঙামী অমা শিখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা শ্রীলঙ্কন ওঠোরিটিদা হৌনবী মতুংইন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল থাবা লৈখ্রবনি।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ইন্দিয়াগী ঙামী অমা লৈখিদবগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা শ্রীলঙ্কাগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা ৱাকৎতুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী ৱাফম তকশিনখি। শ্রীলঙ্কাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নারনা হীরম অসিগা মরী লৈননা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱারোল পীশিনখি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ছোর্স অদুনা হায়খি, থৌদোক অদুগী মতাংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

চৈরকসিদা, টামিল নাদুগী রামেশ্বারমদা মশাগী চহী ২২ শুবদা ঙাইরিবা ব্রিটসো কৌবা ঙামী অমা শ্রীলঙ্কন নেভিনা হাৎখিবগী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

ব্রিটসো অমদি অতোপ্পা ঙামী অনীনা কটচাটিবু আইলেন্দ মনাক্তা ঙা ফারিঙৈদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা ব্রিটসো লৈখিদবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনী অশোক-অপন নংখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ঙমখৈ লানশিন্দুনা ঙা ফাবগী থৌওং চথুরকই হায়বগীদমক শ্রীলঙ্কন নেভিনা টামিল নাদুগী ঙামী ৮ ফাজিনবা লৈখ্রবনি।

ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না শ্রীলঙ্কন নেভিগী মখুৎ চনখ্রবা ঙামী অমা মশা মথন্তা শিজনবা থৌরাং তৌখি হায়রি। নাগাপটিনম দিষ্ট্রিক্টতগী ঙামী ৮ ফাখিবগা লোয়ননা চয়োল অসিগী মনুংদা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী ফাবগী থৌদোক অহুল্লক থোকখ্রে। হৌজিক-হৌজিক টামিল নাদুগী ঙামী ৬১ শ্রীলঙ্কাগী কষ্টদিদা লৈরিবনি।

নাগাপটিনমগী জোইন্ট দিরেক্টর ওফ ফিশরিজ অমলা জেবিয়রনা হায়খি, অকারাইপেটাইগী ঙামী ৮ হি অমা তোংদুনা ঙা ফাবা চৎখিবদা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লকই হায়না মরাল শীরদুনা শ্রীলঙ্কন নেভিনা ফাজিন্দুনা থমখিবনি হায়রি।

# লক্নৌদা খুৎ থোক্লবদা আই এস আই এসকী টেররিষ্ট অমা শিরে




লক্নৌ, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

লক্নৌগী থাকুরগঞ্জ এরিয়াদা উত্তর প্রদেশ পুলিসকী এন্টি টেরর স্কৱাদ (এ টি এস) কম্মান্দোশিংগা পুং ১২ চুপ্পা খুৎ থোক্নরবা মতুংদা আই এস আই এসকী টেররিষ্ট অমা লৈখিদ্রে।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) দলজিৎ চৌধরিনা হায়খি, এ টি এসনা থাকুরগঞ্জগী মফম অমদা থিবা-হুন্থবগী থবক চথরিঙৈদা য়ুম অমদগী নোংমৈ কাপথোরকখি। সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনসু য়ুম অদু তম্না নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনখি। ঙাইহাক লৈরগা ইমুংদা চঙদুনা য়েংলুবদা টেররিষ্ট অমা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা পিষ্টল ৮, নোংমৈ মরূ ৬৫০, পোকখায়হন্নবা মচাকশিং, সনা, শেনয়েক খরা, পাসপোর্ট অমসুং সিম কার্দ কয়ামরুম ফংবা ঙমখি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কী এক্টিব মেম্বরনি হায়না এ টি এসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল অসিম অরুননা কনফর্ম তৌখি। মহাক্না হায়খি, মধ্য প্রদেশতা হন্দক্তা ট্রেন অমদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা লৈরে হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা এন্টি টেরর স্কৱাদকী অখন্নবা কম্মান্দোশিংনা থাকুরগঞ্জদা থিবা-হুন্থবগী থবক চথুখিবনি।

এ টি এসনা আই এস আই এসকী মেম্বর অদু হিংনবা ফাবা পামখি অদুবু মতাং মতমনা য়াদবদগী মীওই অদু খুৎ থোক্লবদা লৈখিদবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ভোপালদগী উজেন তম্না চেনবা পেসেঞ্জর ট্রেন অমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১০ অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা সজাপুর দিষ্ট্রিক্টকী জাবদি ষ্টেসন মনাক্তা ট্রেনগী জেনরেল কম্পার্টমেন্ট মনুংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনবা মীওই অমা এ টি এসনা কানপুরদগী ফাবা লৈখ্রবনি।

# মথংগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লোক সভা, এসেমব্লিগী অহাঙবা সীটশিং মেনশিল্লগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল মাঙওইননা হাঙদুনা লৈরিবা লোক সভাগী সীট অহুম অমসুং এসেমব্লিগী সীট ১২গী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রনাব মুখর্জীগী মতম জুলাই ২৪ দা লোইরগনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা বাই ইলেক্সনগী মতম লেপ্পবা থৌরাং তৌরি। থেংলবদা এপ্রিল থা মনুংদা বাই ইলেক্সনগী মতম লাউথোরক্লগনি হায়রি।

হৌজিক-হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা লোক সভাগী সীটশিং অদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অনন্তনাগ অমসুং শ্রীনগর, লোয়ননা কেরলাগী মলাপুরমনি। পঞ্জাবকী অমৃটসর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিসু হাঙদুনা লৈরি। অদুবু ফেব্রুৱারী ৪ দা পঞ্জাবকী এসেম্বলি ইলেক্সনগা পূন্না বাই ইলেক্সন পাঙথোকপা লৈখ্রে।

প্রপোসনেল রিপ্রজেন্টেসন সিষ্টেমগী খুথাংদা প্রসিদেন্ট খনবগী থৌরাং লৌখৎলিবা ইলেক্টোরেল কোলেজদা য়াওরিবশিংদি এম পিশিং অমসুং ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বরশিংনি। প্রসিদেন্ট খনবগী ভোট থাধবদা পূন্না ভোটর ৪,৮৯৬-এম এল এ ৪১২০ অমসুং এম পি ৭৭৬ না শরুক য়াগনি।

লোক সভাগী স্পিকরসু মীখলদা মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্লকখিবা এম পি অমা ওইবা মরম্না প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখলদা ভোট থাধনবগী রাইট লৈ। অদুবু লোক সভাদা নোমিনেট তৌরকপা এংলো ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগী মীওই অনীদি মীখলদা শরুক য়াবা য়াদে। রাজ্য সভাদা নোমিনেট তৌরকপা মেম্বর ১২ সু প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখলদা শরুক য়ানবগী রাইট লৈ।

মমাঙ চহগী দিসেম্বর থাদা ইলেক্সন কম্মিসননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা সেক্রেটরিয়েটতা অইবা চেরোল অমা থাদুনা হৌজিক-হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা এম পিশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীরক্লুবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ষ্টেট এসেমব্লিশিংদসু হাঙদুনা লৈরিবা সীটশিংগী মরমদা রিপোর্ট পীরক্লুবা খঙহল্লকপা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১২ গী জুন ১২ দা প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখল পাঙথোক্লুবা ৱাফম লাউথোকখি অমসুং জুলাই ১৯ দা মীখল পাঙথোকখি। চহী অদুগী জুলাই ২৫ দগী প্রনাব মুখর্জীনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুদুনা লাকখি। হন্দক্কী ওইনদি প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোকপদা লোক সভাগী সেক্রেটরি জেনরেলনা রিটর্নিং ওফিসর ওইরগনি। মমাঙগী মীখলদা রাজ্য সভাগী সেক্রেটরি জেনরেলনা রিটর্নিং ওফিসর ওইখিবনি।




HL-B/3681/19/02-18/03 (Alt.)

HL-B/3729/03/03-05/04

ꯇꯦꯂꯤꯐꯣꯟ/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্লনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্লনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্লনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্থা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**